# এম এল এ ১৬ দিসক্কালিফিকেসন তৌবগী ৱাফমগা মরী লৈননা সিব সেনা ফেক্সনশিংগী লেজিসলেটরশিংদা নোটিস থাখ্রে

**মুম্বাই, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দে য়াওনা মহারাষ্ট্রগী এম এল এ ১৬ দিসক্কালিফাই তৌবগী ইস্যুগা মরী লৈননা ষ্টেট লেজিসলেচরনা রুল্লিং এল্লাই সিব সেনা অমসুং ওপোজিসন সিব সেনা (য়ু বি টি) গী লেজিসলেটরশিংদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গা লোয়ননা অমদি হন্দক্তা মচেৎ তারকখিবা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগা লোয়ননা লৈঙাক পায়রিবা সিব সেনা এম এল এ ৪৯ রোম্না শৌগৎলি অমসুং হান্নগী সিএম উধব থাক্রেনা লুচিংবা সিব সেনা (য়ু বি টি) বুনা এম এল এ ১৪ না শৌগৎলি।

ওফিসল অমনা নোটিসশিং ইস্যু তৌবগী প্রোসেস অদু থাংজ নুমিত্তগী হৌখি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না নোটিস সর্ভ তৌরিবা সেনা অনীনা এম এল এশিংগী মশিংদি চপ চানা পনখিদে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মরী লৈনবা এম এল এশিং অদুনা চয়োল অমগী মনুংদা স্পিকর রাহুল নারৱেকরদা মখোয়গী পাউখুমশিং সবমিট তৌগদবনি অমসুং মেটর অসিগী হিয়ারিংশিং অথুবা মতমদা হৌরগনি। মরী লৈনবা পুন্নমক্না কুপ্না য়েংলিবা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংস অদু সেনা ভর্সেস সেনাগী মেটর অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা মসিগী ভর্দিক্ত পীখ্রবা মতুং থা অহুম্লোম কান্নরগা ওগষ্টকী অঙনবা শরুক্তা স্পিকরনা লেপ্পবা য়াই।

চীফ মিনিষ্টর সিন্দেদা নত্তনা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংস মায়োক্ক গদৌরিবশিংগী মনুংদা মিনিষ্টরশিং টনাজি সাৱন, সন্দিপান ভুমরে অমসুং অব্দুল সটর অমদি লেজিসলেটরশিং ভারত গোগাৱালে, সঞ্জয় সিসাব, য়ামিন যাদব, প্রকাস সুরবে, মহেস সিন্দে, লতাসোনাৱানে, বলাজি কিনিকর, রামেস বোনারে, সঞ্জয় রাইমুলকর, চিমন রাও পতিল অমসুং বলাজি কোলনকর য়াওরি।

মেটর অসিগী মতাংদা চয়োল অনীগী মনুংদা ভর্দিক্ত পীননবা স্পিকর নাৱিকরদা দিরেক্সন পীননবা তকশিন্দুনা হৌখিবা চয়োলদা সেনা (য়ু বি টি) গী লিদর সুনিল প্রভুনা সুপ্রিম কোর্টতা অনৌবা প্লি অমা ফাইল তৌখিবনি।

সেনা (য়ু বি টি) না ক্লেম তৌরি মদুদি পার্টিগী হ্বিপ অমা লৈনা লৈনা এম এল এশিং অসিনা মতমদুগী সিএম থাক্রেনা কৌখিবা মীটিংদা শরুক য়াখিদে। মদু এন্টি-পার্টি এক্তিভিটি ওইবনা রুলশিংগী মতুং ইন্না মখোয় দিসক্কালিফাই তৌবা য়াই। মসিদা নত্তনা লেজিসলেচর সেক্রেটেরিএটতা রিমাইন্দর অহুম থাখ্রবসু হিরম অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎখিদে হায়নসু প্রভুনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২২ গী জুনদা সিন্দেনা সিব সেনাগী এম এল এ ৪০ অমসুং অতৈ ইন্দিপেন্দেন্ট ১০ গা লোয়ননা থাক্রে গভর্ণমেন্ট থাদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা অচৌবা পোলিটিকেল য়ুহা অমা থোকখিবনি। মতুং তাবা পোলিটিকেল দিভলপমেন্ট কয়া পরিং নাইনা লাকখিবগা লোয়ননা মমৈথংদা থাক্রেনা জুন ২৯ দা মফম থাদোকখিবদগী সিন্দেনা বি জে পিগী সপোর্টকা লোয়ননা হৌখিবা জুন ৩০ দা ষ্টেট অসিগী অনৌবা সিএম ওইখি।



# এম এল এ শারগা কর্নাটকা লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা চঙখিবা মীওই অমা বুক তৌখ্রে

**বেঙ্গলুরু, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

এম এল এ অমা শারগা কর্নাটকা লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা বজেট পুথোক্লিঙৈ মনুংদা চঙশিন্দুনা ফমখিবা মীওই অমা বুক তৌরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুবু হকচিন্না লৌরদুনা ষ্টেট হোম মিনিষ্টর জি প্রমেশ্বরানা সেক্যুরিটি ব্রিচকী থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসতগী রিপোর্ট অমা কৌখি। এম এল এ শারগা লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ফমখিবা এক্যুজ অদু সি দি থিকেরুদ্রপা এলিয়স করিপয়া কৌই। মহাক চিতাদুর্গা দিষ্ট্রিক্টকী মোলাকল মোলু টালুক্কী মনুং চনবা দোলাব পেটৈদা লৈবা মীওইনি।

প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসনদা মীওই অদু ৱাখল নোর্মেল ওইদে হায়বা খঙলকখিবগা লোয়ননা মহাক্না মশামক এদভোকেট অমনি হায়না ক্লেম তৌখি। করিয়পানা ইরাই নুমিত্তা নোংপোক থংবা গেট ফাওরগা বিদানসৌদা (ষ্টেট এসেমব্লি) দা চঙখি।

মহাক এম এল এশিংগা লোয়ননা এসেমব্লিদা চঙখিবনি। মর্সেলশিংনা মহাকপু লেপ্পবা খঙহনখিবা মতমদা মহাক মশামক এম এল এ অমনি হায়না ক্লেম তৌখি অমদি মখোয়দা খঙদব্রা হায়না হংখি। সেক্যুরিটি ষ্টাফনা মহাকপু অহানবা ওইনা কারকপা এম এল এনি হায়না লৌদুনা এসেমব্লি মনুংদা চঙহনখিবনি।

এক্যুজ অসিনা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবদা এসেমব্লি হোল মনুংদা চঙখি অমসুং জে দি (এস) কী এম এল এ কারেমাজি নায়ক্কী সিটতা ফমজিনখি। মশক খঙদবা মীওই অদুনা তৌরিবশিং অদু উরকপদগী জে দি (এস) কী এম এল এ সরানগৌরা কান্দকুরনা স্পিকরদা তমদুনা খঙহনখি। ওথোরিটিশিংনা মহাকপু দিল তৌনবা হোৎনরকখিবা মতমদা মহাক সিট অদুদগী হৌগৎলগা মপানদা থোকখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা মহাকপু বিদান সৌদাগী প্রেমিজেসতগী ফাগৎপা ঙমখি।

এক্যুজ অদুনা এম এল এ অদুগী সিটতা ফমজিন্দুনা বিদান সৌদাগী সেসন মিনিট ১৫ শরুক য়াখি। প্রিলিমিনরি ইনক্কারিদগী মহাক্না ভিজিটরগী পাস অমা পায়রগা জুলাই ৩ দা বিদান সৌদাদা চৎখি হায়বসি খঙখি। এক্যুজ অসি অয়াবা য়াওদনা চঙলম্বা অমসুং এম এল এ শারম্বগীদমক বুক তৌখি।



## কেজ্রিৱালনা কোংগ্রেসকী ফিরেপ ঙাইরি

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

বেঙ্গলুরুদা জুলাই ১৭-১৮ দা পাঙথোক্কদবা ওপোজিসন মীফমদা শরুক য়াননবা ইনভাইট তৌরক্লে হায়না দিল্লিগী সিএম আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক মহাক্কী পার্টিনা হৌজিকসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী ওর্দিনান্সকী মতাংদা কংগ্রেস পার্টিগী ফিরেপ ঙাইদুনা লৈরি হায়না এ এ পিগী লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন পার্টিশিংগী অনীশুবা মীফম অদু জুলাই ২০ দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমগী নুমিৎ নীনি মাঙওইননা বেঙ্গলুরুদা জুলাই ১৭-১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

কোংগ্রেস পার্টিনা নোংজুগী মীফম নুমিৎ ১৫ নিগী মমাঙদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী ওর্দিনান্স অদুগী মতাংদা মখোয়গী ফিরেপ লাউথোক্লগনি হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। কোংগ্রেসনা মখোয় ওর্দিনান্স অদুগী মায়োক্তা ভোট পীগনি হায়বা লৈখ্রে। ঐখোয়না হৌজিক মখোয়গী ফিরেপ অদু মখা তানা ঙাইরি হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াদা য়ু সি সি চৎনহনবা ওইথোক্লোই: গুলাম নবি অজাদ

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

ইন্দিয়াদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ (য়ু সি সি) ইমপ্লিমেন্ট তৌবনা মাইনোরিটি কম্যুনিটি পুন্নমক খুদক্তা খোইরাং খোইশাওহনগনি হায়না হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গুলাম নবি অজাদনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অজাদনা থাংজ নুমিত্তা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা য়ু সি সি ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদা ৱার্নিং পীরদুনা মদু ইমপ্লিমেন্ট তৌবনা লৈবাক অসিগী মশিং য়ামদবা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক্না খুদক্তা শাওহনগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

অজাদনা হায়খি, মদুদি লাইনিং লাইশোন খুদিংমক আর্টিকল ৩৭০গা মরী লৈনবা অমদি আর্টিকল অসি রিভোক তৌবা মথৌ তাবনা য়ু সি সি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হায়বসি অরাইবা ওইরোইদৌরিবনি। অদুনা য়ু সি সি ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী ৱাফম অসি ওইথোক্লোই। মরু ওইনা আর্টিকল ৩৭০ রিভোক তৌবা চঙবনা মসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবা লাইরোইদৌরিবনি। লাইনিং লাইশোন পুন্নমক মসিদা চেন্নরি। মুস্লিমশিংদা নত্তনা খৃষ্টানশিং অমসুং সিখশিং লোয়ননা ট্রাইবেলশিং অমসুং পর্সিশিং মীওই কাঙলূপ পুন্নমক অসি খুদক্তা অশাওবা উৎলক্কনি হায়না দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিব অজাদ পার্টি (দি পি এ পি) গী চিয়ারমেননা ফোঙদোকখি। মহাক্না খোঙথাং অসি লৌখৎপগী ৱাখল ফাওবা তৌদনবা গভর্ণমেন্ট অসিদা সজেসন পীরি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ু সি সি হায়বসি লাইনিং লাইশোনগী খেন্নবা লৈতনা ইন্দিয়াগী সিটিজন পুন্নমক্তা এপ্লাই তৌগদবা কোদনি। কোদ অসিনা লুহোং কৈহোংবা, নুপা নুপী খায়নবা, লম অমদি প্রোপর্টি ইনহেরিটেন্স অমসুং অঙাং য়োকপনচিংবা ৱাফমশিং দিল তৌগদৌরিবনি।

## বি আর এস অমদি কোংগ্রেসতগী চেকশিন্নবা পিএম মোদিনা টেলঙ্গনাগী মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে

**ৱারঙ্গল, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাংজ নুমিত্তা মীখলগা মরী লৈননা টেলঙ্গনাগী মীয়ামদা তৌখিবা আপিলদা ভারত রাষ্ট্র সম্মিথি (বি আর এস) অমসুং কোংগ্রেসতগী চেকশিন্নবা হায়খ্রে

মোদিনা হায়খি, মদুদি পোলিটিকেল পার্টি অনী অসি মীয়ামদা থ্রেটনি। অদুনা টেলঙ্গনাগী মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। ৱারঙ্গলদা পাঙথোকপা অচৌবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পিএম মোদিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি দাইনাষ্টি পোলিটিক্স চথরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং করপসনগী য়ুম্ফম থোল্লবনি হায়না লৌবা য়াই।

কোংগ্রেস পার্টি করম্না করপসনদা লূপখিবগে হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না উন্নরবনি। বি আর এস অমসুং কোংগ্রেসপু মখা তানা হুল্লদুনা মোদিনা হায়খি, মদুদি ঐহাক্না



টেলঙ্গনাদা লাকপা খুদিংগী মফম অসিগী মীয়াম্না মখোয় ফেমিলি পোলিটিক্সকী ভিক্তিমশিং ওইগদৌরিব্রা হায়বগী অকিবা অমা মায়োক্নরি হায়বসি ঐহাক্না উবা ঙম্মী।

গভর্ণমেন্ট অমসুং পোলিটিসিয়নশিংনা মখোয়গী মচা মশুশিংদমক লুনা খল্লি। মখোয়না অতৈ অঙাংশিংবু তুংলমচৎকী মরমদদি করিসু নাচুংদে। কে সি আর গভর্ণমেন্ট অসি খ্বাইদগী হেন্না করপ ওইবা গভর্ণমেন্টনি হায়না পল্লদুনা গভর্ণমেন্ট অসিগী করপসনগী লিঙ্কশিং ন্যু দিল্লি য়ৌরে হায়না পিএমনা ফোঙদোকখি।

মোদিনা হায়খি, মদুদি হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা ষ্টেটশিং অমসুং লৈবাকশিংগী মরক্তা এগ্রিমেন্টশিং খুৎয়েক পীনবা উরে। পোলিটিকেল পার্টি অনী অমসুং গভর্ণমেন্টশিংনা পুল্লগা করপসনদা খুদোংচাহন্নবা হোৎনরকপগী পাউ তাবা ফঙলিবসি মসিনা অহানবনি। টেলঙ্গনাগী মীয়াম্না ষ্টেট অসি শেম্নবগীদমক্তা য়াম্না চাওনা কথোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মখোয়না অসিগুম্বা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা দিভলপমেন্টশিং অসি উদুনা লৈরি। মসি য়াম্না লাইবক থীবা খোঙথাংনি। বি আর এসকী মতাংদা পিএমনা টেলঙ্গনাগী সিএম কে সি আরগী ইমুং ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংনা প্রোব চথরি হায়নসু পিএমনা ফোঙদোকখি।

## ক্ল্যু আর কোদ মেনিপুলেসন স্কেমগী মায়োক্তা ই ও দব্লিয়ুনা এক্সন লৌখৎখ্রে

**ভুবনেশ্বর, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

খ্বাইদগী তাংনা থোকপা অমসুং খ্বাইদগী নৌবা সাইবর ফ্রৌদকী থৌদোক অমদা ওরিষা পুলিসকী ইকনোমিক ওফেন্সেস ৱিং (ই ও দব্লিয়ু) না অচৌবা সাইবর ফাইনান্সিএল ফ্রোদকী কেস অমা দিটেক্ট তৌখ্রে।

শেলগা মরী লৈনবা সাইবর ফ্রোদকী কেস অদুদা ফিনটেক কম্পেনি অমগী ক্ল্যু আর কোদশিং মেনিপুলেসন তৌরগা লুপা ক্রোর ১৪ হেন্না হাইহৎলম্বনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কেস অসিগা মরী লৈননা ই ও দব্লিয়ুনা আই পি সি অমসুং আই টি এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা জুলাই ৬ তা এক্যুজ কারন কুমার সিংহ ফাখি। মহাক উত্তর প্রদেশকী নোইদাগী সেক্তর-১৯ দগীনি। এক্যুজ অদু জুলাই ৭ তা উত্তর প্রদেশকী গৌতম বুদ্ধ নগরগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোকখি অমসুং মহাক কটক্তা লৈবা দেজিগনেটেদ কোর্টতা পুথোক্নবগীদমক নুমিৎ হুম্নিগী ট্রান্সিৎ রিমান্দদা ভুবনেশ্বরদা পুরকখি হায়খি।

মহাকপু ফারিবদু ভুবনেশ্বরদা লৈবা ফিনটেক কম্পেনি অমা ওইরিবা আইসর্ভ য়ু টেক্নোলোজি প্রাইভেট লিমিটেদকী চীফ টেক্নোলোজি ওফিসর সঞ্জিব কুমার পরিদারনা ফাইল তৌখিবা কমপ্লেন্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননি।

পরিনাদা মহাক্কী মরাল শীবগী ৱারোলদা হায়, ফিনটেক সর্ভিসতা খুদোংচাহন্নবগীদমক্তা দিজিটেল পেমেন্ট সর্ভিসশিং য়াহন্নবগীদমক্তা মখোয়গী কম্পেনিনা কুমজা ২০২৩ গী এপ্রিল-মে মনুংদা নোইদাদা লৈবা কম্পেনি পে ৱান দিজিটেল সর্ভিসেস প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্তরশিংগা টেক্নোলোজি ইন্টিগ্রেসন এগ্রিমেন্টশিং খুৎয়েক পীনখি।

## হুরানবশিংনা মোবাইল লৌহন্দনবা হোৎনবদা নুপী ১ শিরে

**চেন্নাই, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

হুরানবশিংনা মশাগী মোবাইল লাক্কবা হোৎনরকপদা মদুবু থিংনবা হোৎনখিবা নুপী অমা অচেনবা ট্রেন অমদগী তাদুনা শোকপদগী শিরে হায়রি।

নুপী অদু থাংজ নুমিত্তা লোয়াপেটা হোস্পিটালদা শিখিবনি। হুরানবশিংনা মোবাইল লাক্কবা হোৎনবদা অথিংবা পীবদা লৈখিদ্রবী নুপী অদু কন্দন চবাদিদগীনি। মমিংনা এস প্রিতি (২২) কৌই। মহাক সিটি অদুগী কুটুপুরমদা লৈবা প্রাইভেট ফার্ম অমদা থবক তৌবনি।

হৌখিবা জুলাই ২ দা পেসেঞ্জরশিংনা নুপী অমা ইনিদরানগর রেলৱে ষ্টেসনদা খামখিবা ট্রেন অমদগী তাবদগী মকোক্তা শোল্লগা প্লেটফোর্মদা ৱাখল তাদনা শল্লগা তারম্বা থেংনখি। মহাক প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি অমসুং মদুদগী অমুক রোয়াপেটা কোনু হোস্পিটালদা পুদুনা মখা তানা লায়কন্নখিবদা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অসিদা লৈখিদবনি।

মহাক্কী অপোকপা শ্রীনিবাসন্না কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎলকপদগী রেলৱে পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং ইনভেষ্টিগেসন হৌখি।

# লাইফমদা এটেক তৌখিবগা মরী লৈননা ইরাননা মীওই অনী হেঙ তৌখ্রে

**টেহরান, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা সিআইট লাইফম অমদা চথখিবা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিহনখিবা অমদি মিলিটেন্ট গ্রুপ ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখিবা এটেক অমগা মরী লৈননা থাংজ নুমিত্তা ইরাননা মীওই অনী হাৎখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি ইর্নাগী রিপোর্টনা হায়রিবদি মীওই অনী অদু ইরানগী খা থংবা সিটি সিরাজতা অয়ুক অঙনবদা মঙকশমদা থৌরি থুরগা হাৎখিবনি।

ইরানিয়ন মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ৱায়েল চথরিঙৈ মনুংদা মীওই অনী অদুনা মখোয় য়ুমথংনরিবা অফঘানিষ্টানদা ইস্লামিক ষ্টেটকা কন্টেক্ট তৌনখি অমসুং সিরাজতা লৈবা সহাচেরাট লাইফম অদুদা চথখিবা এটেক অদু শিল লাংবদা মতেং পাঙখি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ষ্টেট টিভিদা ৱ্রোদকাষ্ট তৌবা সি সি টি ভি ফুটেজতা এটেক্কর অমা খাও অমদা এসোল্ট রাইফল অমা লোৎলগা মীয়াম্না পাম্নরবা লাইফম অদুদা চঙবা অমদি মহাক্না লাই খুরুম্লিবা মীওইশিংদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী শক্তম উখি। ফুটেজ অদুদা লাই খুরুম্লিবশিং অদুনা চেন্থোক্লবা হোৎনবা অমদি কোরিদোরশিংদা লোৎপগী শক্তমসু উখি।

টাজাকিষ্টানগী সিটিজেন অমনি হায়না খঙবা ঙমখিবা গনমেন অদু এটেক অদুদা অশোক অপন নঙখিবগা লোয়ননা মতুং তাবদা হোস্পিটাল অমদা শিখি। ওফিসলশিংনা অহানবদা এটেক অদুদা মীওই ১৫ শিখি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা অমুক রিভাইস তৌদুনা শিরিবা মীওইশিংগী মশিং ৩৩ নি হায়না লাউথোকখি।

মতম অমদা মিদ্দল ইষ্টতা অচৌবা সেক্যুরিটি থ্রেট অমা ওইখিবা ইস্লামিক ষ্টেটনা কুমজা ২০১৭ তা থোকখিবা শাথিরবা এটেক অনী য়াওনা মমাঙদা ইরানদা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং ক্লেম তৌখি।

## স্বিদেনদা ৱাশক ঙাক্লবা তকশিনখ্রে

**ইষ্টানবুল, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

করিগুম্বা স্বিদেননা টেরর গ্রুপশিংগী মায়োক্তা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌদবা তারবদি নোর্দিক লৈবাক অসিনা নাটোদা য়াওনবা এপ্লাই তৌরিবসিদা টর্কিনা অয়াবা পীরোই হায়না টর্কিষ্ট প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইষ্টানবুলদা নেসনেল দিফেন্স য়ুনিভর্সিটিগী গ্রেজুয়েসনগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইর্দোগাননা হায়খি, টেরর ওর্গনাইজেসনশিংদগী লাপ্না লৈয়ু য়াদবা ষ্টেট অমনা করম্না নাটোদা কন্ট্রিব্যুট তৌগদগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। অদুনা স্বিদেননা টর্কিগী সেক্যুরিটিগী ৱাফমশিং লুনা লৌগনি হায়না ৱাশকখিবদুবু ঙাকপা হায়বসি মহাক্কী গভর্ণমেন্টগী অপাম্বনি।

# রসিয়ানা চথরিবা য়ুক্রেনগী লানদা অঙাং ৫০০ য়াওনা মীচম ৯০০০ শিখ্রে

**য়ুএন, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

য়ুক্রেনগী লান নুমিৎ ৫০০ নি শুরবা ফাওবদা লেপ্পা য়াবগী মমি উখিদবগা ইরোইননা রসিয়ানা চথরিবা লান অদুদা মীচম মশিং য়াম্মা শিহনখিবগী ফিভমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুএনগী হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং মিশন ইন য়ুক্রেন (ঐচ আর এম এম য়ু) না হায়রিবদি রসিয়ানা কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারী ২৪ দা লান্দাবা হৌখিবদগী অঙাং ৫০০ য়াওনা মীচম ৯০০০ হেন্না লানদা শিখ্রে।

য়ুএনগী রিপ্রজেন্টেটিব অমনা মমাঙদা লান অদুদা শিরিবা সিভিলিয়নশিংগী চপ চাবা মশিংদি পীরিবা অসিদগী য়াম্না হেল্লমগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। রসিয়ানা লান্দাদুনা চথরক্লিবা য়ুক্রেনগী লান নুমিৎ ৫০০ নি শুরকপগা মরী লৈননা পীবা ৱারোল অমদা ঐচ আর এম এম য়ুগী দিপ্যুটি হেদ নোয়ল কালহোননা হায়খি, মদুদি ঙসিসু য়ুক্রেনগী মীচমশিং কিনিংঙাই ওইবা মওংদা মশিং য়াম্না শিহল্লিবা লান অসিগী অতোপ্পা নুংনাংনিংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমসু ঐখোয়না উবা ফঙলি।

চহী অসিগী ওইনা শিবা অমসুং অশোকপশিংগী মশিং চাংচত্তা কুমজা ২০২২ দগী হন্থরবসু অশিবশিংগী মশিং মে অমসুং জুনদা অমুক হেনগৎপা হৌরকখি হায়না মোনিটরশিংনা হায়রি।

হৌখিবা জুন ২৭ তা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা ক্রামাটোস্কতা রসিয়নশিংনা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমদা অঙাং মরি য়াওনা মীচম ১১ শিখি। ফ্রন্টলাইনদগী য়াম্না থাপ্না লৈবা নোংচুপ থংবা লভিব সিটিদা রেস্ক্যুৱরশিংনা ইরাই নুমিত্তা বিল্ডিংগী অকায় অতোই মরক্তা তরাশুবা হকচাং অমা ফঙখি।

# য়ুএসকী টোপ ওফিসলগী বৈজিং খোঙচৎ মরক্তা চাইনানা টাইৱানগা নক্লনা ৱারশিপ, জেটশিং থাখ্রে

**টাইপৈ, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

য়ুএস অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবনা মপুং ওইবা মরী ফগৎহনবগী পান্দমগা লোয়ননা য়ুএসকী ট্রেজরি সেক্রেটরি জেনেট য়েলেননা বৈজিংদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিঙৈগী চান্ননা থাংজ নুমিৎকী অঙনবা ফাওবগী পুং ২৪ গী মতমদা চাইনাগী পিপলস লিভরেসন আর্মিনা টাইৱানগী অকোয়বদা লৈরিবা এয়র স্পেস অমসুং ঈশিংগী শরুক্তা এয়রক্রাফট ১৩ অমসুং ভেসেল তরুক থাজিনখ্রে।

টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্ট্রি অসিনা মফম অদুদা ওইরক্লিবা ফিভম অদু নোংথক্তগী অমসুং সমুদ্রদগী মোনিটর তৌরি অমসুং কংফালদা বেজ তৌবা মিসাইল সিষ্টেমশিং রেস্পোন্স তৌননবা শেম শাদুনা থমখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না চাইনিজ এয়রক্রাফট ৪- এসয়ু-৩০ ফাইটর অনী, বি জেট কে-০০৫ রিকোনিসন্স প্লেন অমা অমসুং



ৱাই-৮ এন্টি-সবমেরিন ৱারফেয়ের প্লেন অমা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা দি-ফেক্টো বোর্দর অমনি হায়না লৌনবা টাইৱান ষ্ট্রেটতা লৈবা মেদিয়ন লাইন লাল্লগা টাইৱানগী খা নোংচুপ থংবা এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোনদা চঙশিল্লকখি।

চাইনানা টাইৱানবু করিগুম্বা মথৌ তারবদি ফোর্স শীজিন্নরগা লৌশিনবা য়াবা লৈবাক অসিগী লমনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা ঈথৎ অসিগী দিফেন্স কেপেবিলিটিশিংদা শীংনদুনা অমদি ঈথৎ অসিগী মীওই মিলিয়ন ২৩ বু কিহন্নবগীদমক্তা নোংমা কাংদনা এয়র অমসুং মোবেল মিশনশিং থাদুনা লৈরিবনি।

## ওইল প্লেটফোর্মদা মৈ চাক্লকপদগী মীওই অনী শিরে

**মেক্সিকো সিটি, জুলাই ৮ (এজেন্সী):**

ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা মেক্সিকান ষ্টেট ওইল কম্পেনি পেমেক্সনা চল্লাইবা ওফসোর প্লেটফোর্ম অমদা মৈ চাক্লকপদগী ৱার্কর অনী শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৱার্কর অমা মাঙখ্রে হায়না কম্পেনি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ওপসোর প্লেটফোর্ম অদু গল্ফ ওফ মেক্সিকোগী খা থংবা চিদাইগা নক্লনা লৈবনি। ত্বিটর পোষ্টশিংগী খুথাংদা পেমেক্সনা হায়খি, মদুদি ওইল প্লেটফোর্ম অদুগী ৱার্কর পুন্নমক য়েংশিল্লবা মতুংদা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা ৱার্কর অনী শিরে অমসুং অমনা থীবা ফঙদ্রে হায়বসি খঙলে। মৈ চাকপদুনা মরম ওইদুনা থাউ পুথোকপগী থবক্তা চৈথেং চাওনা নঙলে হায়না কম্পেনি অসিনা ফোঙদোকখি। সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওদা প্লেটফোর্ম অদুগা লোয়ননা মদুগী পাইপলাইনশিং মৈরি চাওনা থোক্না চাকপা অমসুং অনকপদা লৈবা হিশিংনা মৈ অদুবু মুত্থৎনবা উখি।

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open (New Batches)
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Maths, Science & Social Science)
Special features:
- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious, Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes Commencing from 6th July, 2023
# Morning:(4.30– 7.00) A.M. # Evening:(3.30– 6.30) P.M.
For Details Contact:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-P/6960/30-6 to 29-7

## ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE FOR A SPECIAL GENERAL BODY MEETING OF MMTA

6th July, 2023

It is being informed and notified that a Special General Body Meeting of Manipur Mountaineering & Trekking Association, Imphal will be held on 12th August, 2023 at MMTA Yaipha Shanglen, Minuthong West, Imphal at 10:00 am. This notification is being served as per the directive sent vide letter No. 3233/SR/1980 dated 26th April 2023 by the Deputy Registrar (Admin), Registrar of Societies, Government of Manipur. As directed, this meeting is to conduct election of Managing Committee members by the Founder Members among the Founder Members.

Shri R.K. Ranendrajit Singh Founder EX-Chairman may be consider to chair the said meeting.

The tentative Electoral Rolls, the Founder Members (as indicated vide para No. 4 of aforementioned letter) are:-

| Sl. No. | Name of the Member |
|---|---|
| 1. | R.K Ranendrajit Singh |
| 2. | Yambem Tijendra |
| 3. | Thongam Thambou |
| 4. | R.K Ranjan |
| 5. | W. Gopimohon Singh |
| 6. | Bidyapati Senjam |
| 7. | T. Biren Singh |
| 8. | Laishram Dolchandra Singh |
| 9. | H. Ibocha Singh |
| 10. | Mutum Jamini Devi |
| 11. | Khamnam Bedamani Devi |
| 12. | Bachashpatimayum Umeshwori Devi |
| 13. | Wakhambam Basanta Kumar Singh |
| 14. | R.K Jasobanta |
| 15. | Phurailatpam Hemchandra Sharma |
| 16. | Wahengbam Meipak Singh |
| 17. | Mutum Nabachandra Singh |
| 18. | Anoubam Modhusodon Sharma |
| 19. | Longjam Babuyaima Singh |
| 20. | Hidammayum Jadumani Sharma |
| 21. | Y. Gopeshor |
| 22. | Ksh. Tomba Singh |
| 23. | T. Somen Singh |
| 24. | Kh. Toren Singh |
| 25. | S. Brojendro Singh |
| 26. | Pebam Jayenta Singh |
| 27. | Moirangthem Itocha |
| 28. | Ningthoukhongjam Loken Singh |
| 29. | Ningthoukhongjam Ibena Devi |
| 30. | W. Shyamananda Singh |
| 31. | Laishram Ibocha |
| 32. | Wahengbam Somerendro Singh |
| 33. | Wahengbam Shyamsunder Singh |
| 34. | Irengbam Krishnachandra Singh |
| 35. | Meisnam Raghumani Singh |
| 36. | Chanambam Koba Singh |
| 37. | Irom Premkumar Singh |
| 38. | H. Ghanashyam Singh |
| 39. | Haobam Ibetombi Devi |
| 40. | Chakpram Basanta Singh |
| 41. | S. Ratan Singh |
| 42. | S. Bobi Singh |
| 43. | S. Somorendro Singh |
| 44. | P. Raju Singh |
| 45. | A.Marjit Singh |
| 46. | N. Binodkumar |
| 47. | Th. Kora Singh |
| 48. | T. Baleshwor Singh |
| 49. | Ph. Dilipkumar Sharma |
| 50. | L. Dhakeshwor Meetei |
| 51. | Th. Ranjan Singh |
| 52. | G. Haridas Sharma |
| 53. | W. Deven Singh |
| 54. | Ng. Rajdhani Devi |
| 55. | L. Bilashini Devi |
| 56. | W. Nalini Devi |
| 57. | Ksh. Achoubi Devi |
| 58. | H. Shakhitombi Devi |
| 59. | M. Shanti Kumar |
| 60 | Ng. Iboton Singh |

It is therefore requested all the Founder Members to take part in this Special General Body Meeting to elect the Managing Committee of Manipur Mountaineering & Trekking Association without fails.
Thanking You

**Sd/- Th. Thambou Singh**
*Ex-Secretary-MMTA*

HL-P/6979/9